# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-03-2025)**

**খুৎলায় (এল) ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা খুৎলায় পীখৎলক বা থাখিবা মতম ঙসি লোয়রে।

খোঙথাং অসিগী মখাদা ঙরাং ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্ট, চুরাচান্দপুর অমদি কাংপোকপী জিলাদা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় ৩২ পীখৎলকখ্রে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কম্মান্দোদা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা-সিঙ্গল বেরেল গন অমা, পিষ্টোল অনি, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অনি, টিয়ার স্মোগ সেল মঙা, রবর বুল্লেট সেল অমা, ট্যুব লোঞ্চিং অহুম, হেন্দ গ্রেনেদ দিটোনেটর তরুক, নোংমৈ মরু অমদি অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

জিলা অসিগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সভেন এম.আর. খাবৈশোয়দা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা এ.কে. রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি এম.কে. থ্রি রাইফল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, টিয়ার স্মোগ সেল ১৯, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেদ অহুম, মোনোপোট অমা, ট্যুব লোঞ্চিং মরি, গন পাউদর অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং য়াওরি।

জিলা অসিগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদনা এস.এল.আর. রাইফল অমা অমদি সি.এম.জি. করবাইন অমা পীখৎলকখি। পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা গ্যাস গন স্তন্ট সেল ১৩, স্মোগ গ্রেনেদ অমা, ফিফতি ৱান এম.এম. মোটার বোম ইলুমেনেটিং অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, এস.এম.জি. করবাইন অমদি বুল্লেট প্রুব হেলমেদ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া পীখৎলকখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী এস.পি. চুরাচান্দপুরদা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা লোকেল মেদ টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল অমা, পোম্পী তরুক, লে

দমাইন অমা, লেথোদ সেল অনি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া য়াওরি।

কাংপোকপী জিলাগী সাইকুল পুলিস ষ্টেসনদা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিংগী মনুংদা-পোম্পী ৮, কন্ত্রিমেদ বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, কন্ত্রিমেদ টুয়েল্ব বোর অহুম অমদি নোংমৈ মরু কয়া য়াওরি।

**পুলিস (এল) ঃ** মনিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লুপ আর.পি.এফ, পি.এল.এগী মীওই অনি ফারে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-মীওই অনি অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়ৌরবুং ময়াই লৈকাই অমদি শগোলমাং খেৱাদগীনি। মখোয় অনিমক জিলা অসিগী য়ৌরবুং ময়াই লৈকাইদগী ফাখিবনি। মখোয় অনিমক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি ফোরেষ্ট দিভিজন কাংপোকপী অনিনা খুৎশমদুনা কাংপোকপী জিলাগী কোটজিমদা লম একর ১০ দা থারম্বা পোপী পাম্বী য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। পোপী থাবদা শিজিন্নবা হার অমদি খাঙপোক শঙ অহুমসু মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখ্রে। মসি থিজিন্নবা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

**সেনাপতি (এল) ঃ** সেনাপতি জিলাগী লাইরৌ চিং ভিলেজতা ইহান হানবা ওইনা থকবা টোতি ঈশিং ফংল্লকপদা খুঞ্জাশিংনা হরাউবা ফোংদোকখ্রে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়-পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং বিভাগকী এন.দি.বি. প্রোজেক্টকী মখাদা খুল অসিদা ইহান হানবা ওইনা থকবা অফবা ঈশিং ফংল্লকপনি। ৱাটর সপ্লাই অদু এম.এল.এ. লোসি দিখোনা ঙরাং শঙ্গাখিবনি।

**অমরোমদা,** ককচিং জিলাগী পুরুম তম্পাক্তা অসাম রাইফলসনা ৱাটর সপ্লাই সিষ্টেম অমা মীয়ামদা শিন্নখ্রে। দি.আই.ও. ককচিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা অসাম রাইফলসনা খোঙথাং অসি

পায়খৎলকপনি। মসিনা খুঞ্জাশিংদা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লগনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মহাকা বিদ্যানাগর স্পোর্টস কমপ্লেক্স, হরিনাগর চিলদ্রেন হোম অমদি জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংগসু ৱারী শান্নখি। খোঙচৎ অদুদা জিলা অসিগী এস.পি, এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমদি অতৈ ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

**নোনে (এল) ঃ** দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-নোনে অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা পুন্না শিনদুনা ঙসি মেগা মরাথোন নোনে জিলাদা পাঙথোক্লি।

নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা নিশা শিজিন্নদনা হকচাং ফনা লৈনবগী চংশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। মরাথোন অসিদা মীওই ১০০ রোমনা শরুক য়ারি। মরাথোন অসি জিলা অসিগী এস.পি. নমসদাই পিটর পামৈনা লোংমাই বজারগী ব্রিজ পোইন্টতগী লমথাখি। লমজেল অসি নুপাশিংগী ওইনা নোনে দি.সি. ওফিস গেটতা লোয়শিনগনি অদুগা নুপীশিংগী ওইনা লোংমাই কম্মন গ্রাউন্দদা লোয়শিনগনি হায়রি।

**মৈ (এল) ঃ** থৌবাল জিলাগী তেন্থা কংলা চিংদোল পরেংদা ঙরাং নুংথিল লামৈ চাল্লকখ্রে।

অদুমওইনমক, মৈ অদু থৌবালগী ফয়ার সার্ভিস টিম, খোঙজোম পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু, জিলা অসিগী ফোরেষ্টকী কাংবু অমদি লমদমদুগী মীয়ামশিংগা পুল্লগা মৈ মুত্থৎখি হায়রি।

**আৰ্মি(এল) ঃ** মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ভারত লান্মীনা শিনদুনা নুপীশিংবু হকচাং ফনা অমদি নাদ-য়েক্তনা লৈনবা হায়বা হীরমদা ঙরাং সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখ্রে।

লৈমখোংদা লৈবা জোন কেলবিন একাডমীদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হকচাং ফনা লৈনবগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখিবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবা মীফমসু পাঙথোকখি। মদুদসু নত্তনা ভারত লান্মীগী মেদিকেল ওফিসারশিংনসু লম অসিগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা পাউতাক কয়া পীখি।

**মীফম ঃ** কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি-ডা: জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- রিছার্স, দিবলপমেন্ট অমদি ইনোভেসনগীদমক কেন্দ্রগী ২০২৫-২৬ কী বজেটতা লুপা কোতি লিশিং ২০ হাপখ্রে।

ইনভেষ্টিং ইন ইনোভেসন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা পোষ্ট বজেট ৱেবিনার ২০২৫ গী ঙরাং লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জিতেন্দ্রনা হায়-সরকার অসিনা ভারতপু মালেমগী ওইনা ইনোভেসন হব অমা ওইহন্নবা কন্না হোৎনরি। হৌখিবা চহি তরাদা স্তার্টঅপতা ভারতনা মালেমগী ওইনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি অমদি গ্লোবেল ইনোভেসন ইনদেক্সতসু ৮১ শুবদা লৈরম্বদগী হৌজিক ৩৯ শুবা মফমদা লৈরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-মিজোরামদা ম্যান্মারগী চিন লালহৌবশিং অমত্তা ওইনা পুনখ্রে, সি.এম. লালদু হোমাগী মমাংদা পুনবগী ৱাফম লাউথোকখি হায়না ফোটোগা কোন্ননা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-তোকখায়বা লৈঙাক পীদ্রিবা ফাওবা কুকি তাবা মফমদা চংল্লকপা য়ারোই, কুকিনা তাবা মফমশিং মনিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈত্রে হায়বা কুকি এল্লাইয়েন্সকী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুনিয়ন গভরমেন্টকী ফিরেপতা ফোংনা শিংনরিবা কোটুদা করি এক্সন লৌগদৌরি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতনা-ফিজিক্স সবজেক্টকী পরিক্ষাদা ক্বোইসন পেপর লিগ ওইখিবা অদুদা চেন্নবা অতোপ্পা ওজা অমসু ফারে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলে।

হুইয়েন লানপাউদা-লাইশ্রম কমল বাবুগী লংলা-লংজিল ফংদবা নুমিৎ ১০১ শুরে। জি.ও.সিনা মহাক্কী ইমুংদা থবক পীরগে হায়রক্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-গভনরনা শান্তি হনজিলহন্নবা অকনবা থবক পায়খৎলিঙৈ চৈরক্তা কুকি খুলগা নকনা লৈবা ফার্ম অমা মৈ থাদোক্লম্লে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কুকি আর্ম গ্রুপকী জল্লিনাইল কাদর অহুম খুৎলায়গা কোন্ননা পুলিসনা ফারে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-ঙরাং রাজ্য অসিদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলে।

পিপলস ক্রোনিকলদা-জৈলাদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্গচুরি-তমেংলোংদা য়ামা তাংনা ফংবা কৌজেং মখল খরা ফংলে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা মনিপুরগী লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা মফমশিং অমুক হন্না শেমগৎহন্নবা খঙহনখিবগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-শান্তিগী খোঙচৎ অমা চৎকনি হায়না সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন অমনা লাউথোকখিবা অদুবু কুকি গ্রুপনা ৱার্নিং তৌরক্লি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোংগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা গার্লর্স স্পোর্টস ঙরাং লোয়শিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।